**RNU, IMPHAL**
**MANIPURI EVENING NEWS SCRIPT AT 7.30 PM**
**(Date: 16-03-2025)**

--অহানবদা মরুওইবা পাউ--

১) রাজ্য অসিগী তোঙান তোঙানবা ম্যুনিসিপালিতি এরিয়াশিংদা অমোৎ-অকায়শিং শেংদোকপদা শিজিন্নগদবা মেছিন য়েন্থোকখ্রে।

২) য়াওশঙ কুম্মৈ ঙসি হৃমি চনখ্রে, ইন্দো-বরমা শুগনু লম্বীগী এলাং খাংপোকপীদা গাড়ি মচা অনি থেংজিন্নবদা মীওই অমা শিরে, অমনা শোক্লে।

৩) নার্কোতিক্স কন্ত্রোল ব্যুরো (এন.সি.বি)না ইম্ফাল অমসুং গুৱাহাতি জোনদগী লুপা কোতি ৮৮ রোমগী মমল ওইগদবা মেথা ফেতামাইন টেব্লেৎ ফারে।

৪) প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিনা হায়রি- ভারত অসি গৌতম বুদ্ধ অমদি মহাত্মা গান্ধিগী পোকফম ওইবনা লৈবাক অসিনা মালেমদা শান্তিগী পাউজেল শন্দোক্লি।

অমসুং
৫) ম্যান্মারদা মিলিটরিনা নোংথক্তগী লান্দাবদা অঙাং তরুক য়াওনা য়ামদ্রবদা মীওই ২৭ শিরে, ৩০ হেন্না শোক্লে।

------

মহুদ (এল)ঃ রাজ্য অসিগী তোঙান তোঙানবা ম্যুনিসিপালিতি এরিয়াশিংদা অমোৎ-অকায়শিং শেংদোকপদা শিজিন্নগদবা মেছিন য়েন্থোকখ্রে। সরকারনা মেছিনশিং অসি য়েন্থোকপগী থৌরম অদু ঙসি ইম্ফালগী সিটি কনভেন্সন

সেন্টরদা পাঙথোকখি।

মেছিনশিং অদু ইম্ফাল ৱেষ্ট, থৌবাল অমদি বিষ্ণুপুর জিলাগী তোঙান তোঙানবা অরবান লোকেল বোদি ১০ দা য়েন্থোকখিবনি। য়েন্থোকখিবা পোৎলমশিং অদুগী মনুংদা ত্রোমাই, ফৎকা মেছিন, ভিজিতেবল স্রেদর, কনভেয়র বেল্টনচিংবা য়াওরি। মেছিনশিং অসি কেন্দ্রগী অরবান এফ্যারস মন্ত্রালয়গী মখাদা পায়খৎপা স্বাস ভারত মিসনগী মখাদা লৈবনি হায়রি। মেছিন য়েন্থোকপগী থৌরম অদুদা মহুদকী প্রিন্সিপাল সেক্রেটরি আর.কে. দিনেস অমসুং মহুদকী দিরেক্তর-ঙাঙোম উতম শরুক য়াখি।

থৌরম অদুগা মরী লৈননা ৱা ঙাংবদা মহুদকী দাইরেক্তর অমসুং মণিপুর অরবান দিভলপমেন্ট এজেন্সি (মুদা)গী সেক্রেটরি ঙাঙোম উতমনা হায়- ময়াংইম্ফালগুম্বা রাজ্য অসিগী সহর খরদদি ক্লষ্টরগী মওং মতৌদা থবক থৌরম পাঙথোক্কনি। অদুমওইনমক, থৌবালগী ম্যুনিসিপালিতি ৬ তদি মশা মরোমদোম পাঙথোক্কনি। মহাকা হায়- নৌনা য়েন্থোক্লিবা খুৎলায়শিং অসিনা খায়দোকপদা হেন্না মতেং ওইরগনি। মীয়ামা য়ুম য়ুমদগী অমোৎ অকায়শিং পুথোরকপা মতমদা পুমথগনবা অমদি পুন্লোইদবা পোৎশিং খায়দোক্তুনা থন্বীরবদি ম্যুনিসিপালিতিগী কর্ম্মচারিশিংনা থবক তৌবদা হেন্না খুদোংচাহনগনি।

স্বাচ ভারত মিসন (অরবান) টু পোইন্ট জিরোগী মখাদা লুপা কোতি ২ লাখ ৩৫ রোমগী শেনফম থাদরকখিবা অসিগী মরুওইবা পান্দমদি- মীওই লিশিং ৫০ গী মখাদা লৈবা সহরশিংদা ৱেষ্ট মেনেজমেন্টকী থবক থৌরম হেন্না ফগৎহন্নবনি।

য়াওশং (এল)ঃ য়াওশঙ কুম্মৈগী ঙসি হুমি চনবা নুমিৎতা লৈকাই লৈকাইদা শান্ন-খোৎনবগী থৌরমশিং মপুং ফানা পাঙথোকরি। লৈকাই লৈকাইদা লৈবা ক্লবশিং অমদি সংস্থানশিংনা তোঙান তোঙানবা মখলগী শান্ন-খোৎনবগী থৌরম কয়া পাঙথোক্লি। য়াওশং কুম্মৈগী মনুং চন্না শান্ন-খোৎনবগী থৌরমশিং পাঙথোকপগী মরুওইবা পান্দমদি অঙাংশিংবু মশা মউ ফনা থমবনি।

অমরোমদা, ইম্ফালগী পেলেস কম্পাউন্দদা লৈবা শ্রীশ্রী গোবিন্দজি মন্দির

অমদি শগোলবন্দদা লৈবা শ্রীশ্রী বিজয় গোবিন্দগী মন্দিরদা মফম কয়াদা হোলি পালাশিং লাকরি। লৈকাই লৈকাইগী য়ুমথোঙ য়ুমথোঙ চংদুনা হোলি পালা শকপনা কুম্মৈ অসিগী মপুং ওইবা শক্তম ওইরি। নুমিৎ মঙানি চথুগদবা য়াওশঙ কুম্মৈ হৌখিবা ইরাই নুমিৎতগী হৌখিবনি।

পুলিস (এল)ঃ ককচিং জিলাগী ৱাইখোং পুলিস ষ্টেসনগী মনুং চনবা ইন্দো-বরমা শুগনু লম্বীগী এলাং খাংপোকপীদা গাড়ি মচা অনি ঙসি নুংথিল থেংজিন্নবদা মীওই অমা শিরে, অমনা শোক্লে।

ৱাইখোং পুলিস ষ্টেসনগী ও.সিনা থোকপা চেরোল অমনা হায়- ৱাইখোংলোমদগী লাকপা লাংমৈদোংলোমদা চৎখিবা গাড়ি অমগা লাংমৈদোংলোমদগী লাকপা ৱাইখোং তমা চৎখিগদবা গাড়ি মচা অনি অদু এলাং খাংপোকপীদা থেংজিন্নখিবনি। থৌদোক অদুদা শোক্লবা মীওই অমা হোস্পিতালদা পুখৎলবা মতুং লায়কন্নবা ঙমদনা লৈখিদ্রে হায়রি।

এআর (এল)ঃ অঙাংশিংদা তিকা থাবগী চাং হেনগৎহন্নবা পান্দমদা অসাম রাইফলসনা জাতিগী তিকা থাবা নুমিৎ ইম্ফাল ৱেষ্ট অমসুং থৌবাল জিলাগী মফম কয়াদা ঙসি পাঙথোকখ্রে। ইম্ফাল ৱেষ্টকী এল. কোহরেং খুল অমসুং কৈথেলমানবী গেরিসনদা পাঙথোকখিবা তিকা থাবগী থৌরমদা মীওই ১৬০ রোম তিকা কাপখি অমসুং হেলথ চ্যেকঅপসু পাঙথোকখি।

থৌবাল জিলাগী চন্দ্রখোংদা পাঙথোকপা থৌরমদনা মীওই ৮০ হেন্না তিকা কাপ্পগা লোয়নন হকচাং ফনা থমবা অমদি তিকা থাদোকপনা হকচাংদা কান্নবা পীবগী মতাংদা মীয়াম্বু হেন্না খঙহনবগী থৌরমশিং পাঙথোকখি।

নোংঃ মণিপুরগী জিলা খরদা লাক্লিবা নুমিৎ নিনি অসিদা পারপনা নোং চুরবা য়াই হায়রি। মেতিওরোলোজিকেল সেন্তর ইম্ফালনা হায়- তমেংলোং, সেনাপতি, কাংপোকপী, ইম্ফাল ৱেষ্ট, ইম্ফাল ইষ্ট, জিরিবাম, নোনে অমসুং

বিষ্ণুপুরগী মফম কয়াদা পারপা নোং চুরবা য়াই।

রাজ্য অসিগী মফম কয়াদা ঙসি অখাক অরাওগা লোয়ননা পুংদা কিলোমিতর ৪০ দগী ৫০ ফাওবগী চাংদা নুংশিৎ শিৎলবা য়াই।

কাংপোকপী, ইম্ফাল ৱেষ্ট, ইম্ফাল ইষ্ট, উখ্রুল, কামজোং, বিষ্ণুপুর, থৌবাল, ককচিং, তেংনৌপল অমসুং চান্দেলগী মফম কয়াদা হয়েং অখাক অরাওগা লোয়ননা পুংদা কিলোমিতর ৫০ দগী ৬০ ফাওবা য়াংনা নুংশিৎ শিৎলবা য়াই।

অমরোমদা মেট দিপার্টমেন্টনা হায়- লাক্লিবা নুমিৎ নিনি অসিদা মনিপুর, নাগালেন্দ, মেঘালয়, মিজোরাম, অসাম, অরুনাচল প্রদেস অমসুং ত্রিপুরাদা অখাক অরাও অমদি নুংশিৎকা লোয়ননা অকনবা নোং চুরবা য়াই। দিপার্টমেন্ট অসিগী চেরোল অমনা হায়-উত্তরাখন্দদদি ঙসি অকনবা নোং চুরবা য়াই।

ড্রগস ঃ নার্কোতিক্স কন্ত্রোল ব্যুরো (এন.সি.বি)না ইম্ফাল অমসুং গুৱাহাতি জোনদগী লুপা কোতি ৮৮ রোমগী মমল ওইগদবা মেথা ফেতামাইন টেব্লেৎ ফারে। মসিগা লোয়ননা অন্তরজাতিগী ড্রগ করবার তৌবা মীওই মরিসু ফারে।

এন.সি.বিবু থাগৎপা ফোংদোক্লদুনা সোসিয়েল মিদিয়াদা থাগৎপা ৱারোল অমদা গৃহ মন্ত্রিনা হায়- ড্রগকা মরী লৈনবা কেসশিংদা চেন্নবা অপিকপদগী অচৌবা ফাওবা থিজিনবদগী য়াম্লবা ড্রগশিং অসি ফাগৎপা ঙম্বনি। ভারতপু নিশাগী পোৎলম শিজিন্নদবা লমদম অমা ওইহনবা হায়বসি প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিনা লুচিংবা সরকারগী অচেৎপা ফিরেপনি।

গৃহ মন্ত্রালয়গী পাউনা হায়- হৌখিবা শগোলশেন নুমিৎতা এন.সি.বিগী কাংবু অমনা ইম্ফাল জোনদা থি হুম্বগী থবক চখবদা মেতা ফেতামাই টেব্লেৎ কিলোগ্রাম ১০২ অমসুং গুৱাহাতি জোনদগী কিলোগ্রাম ৮ ফাগৎপা ঙমখিবনি। মন্ত্রালয়না হায়- চেন্নবা মীওইশিং ফাননবা মখা তানা থিজিনবগী থবক চখরি।

ইম্ফাল জোন অমসুং গুৱাহাতিদগী য়াম্লবা ড্রগ ফাগৎপা ঙমখিবা অসি ড্রগকী সমস্যগী মায়োক্তা লেপ্পা লৈতনা চংশিল্লিবা খোঙজংগী অচৌবা মায় পাকপা অমনি হায়না এম.এল.এ থোঙাম বিশ্বজিৎনা ফোংদোরক্লি।

সোসিয়েল মিদিয়াদা থাগৎপা ৱারোল অমদা শ্রী বিশ্বজিৎনা হায়- লমদম অসিগী নহাশিং অমসুং সমাজ অসিবু ঙাক শেন্নবা হোৎনবদা এন.সি.বিনা লৌরিবা থৌদাং থাগৎনিঙাইনি। মহাকা হায়- প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিগী লিচিং মখাদা ৱার এগেনষ্ট ড্রগকী ময়েক লারবা খুদম অমনি। ড্রগ লল্লোনবশিংগী মথক্তা লেপ্পা লৈতনা চথুরক্লিবা থবকশিং অমদি মখোয়গী করবার তৌফম ওইহন্দবা হায়বসি সরকারগী অচেৎপা ফিরেপনি।

মিতিং ঃ অৱাং নোংপোক রাজ্যশিংদা অনৌবা ক্রিমিনেল লোশিং চৎনহনবগী মতাংদা গৃহ মন্ত্রি অমিত সাহনা সভাপতি ওইদুনা মীফম পাঙথোক্লি। কেন্দ্রগী গৃহ মন্ত্রালয়না অসাম সরকারগা পুন্না শিন্দুনা পাঙথোকপা মীফম অসিদা অৱাং নোংপোক রাজ্য ৭ কী মুখ্য মন্ত্রিশিং মণিপুরগী রাজ্যপাল আজয় কুমার ভল্লা শরুক য়ারি।

মমাং চহিগী জ্লাই ৩ দা ইন্দিয়ান পেনাল কোদ য়াওনা অতৈ আইনশিং অনৌবা ক্রিমিনেল লো অহুমনা শিন্দুনা চৎনবা হৌখ্রবনি।

ত্রিপুরা ঃ রেলৱে পুলিস ফোর্স অমসুং গভর্নমেন্ট রেলৱে পুলিসনা আগরতালা রেলৱে ষ্টেসনদা থি হুম্বগী থবক চথবদা গঞ্জা কিলোগ্রাম ৩০ হেন্না ফারে। অহানবগী ওইনা থিজিনবদা পুলিসনা গঞ্জাশিং অদু বোরা খাউ মরিদা হাপ্তুনা থম্লম্বা থেংনবনি। অদুমওইনমক, গঞ্জাশিং অদুগী মপু চপ চানা খঙবা ঙমদ্রি। ফাগৎলবা গঞ্জাশিং অদুগী মমল লুপা লাখ ৪ লিশিং ৫৭ লোমগী ওইগনি হায়রি।

অমরোমদা, গভর্নমেন্ট রেলৱে পুলিস অমসুং রেলৱে প্রোটেক্সন ফোর্সনা ঙরাং অথেংবদা আগরতালা রেলৱে ষ্টেসনদগী ড্রগ লল্লোনবা নুপী অনি ফাগৎপা ঙমখি। মখোয়দগী কিলোগ্রাম ১১ রোমগী গঞ্জা ফাগৎপা ঙমলে হায়রি। লুপা লাখ ১ লিশিং ৬০ রোমগী মমল ওইগদবা গঞ্জাশিং অদু বিহারদগী নুপী অনিনা পুদুনা চৎলম্বনি।

সাহ্ ঃ  বোরোলেন্দ লমদম মপুং ফানা চাওখৎহনবা হায়বসি কেন্দ্র সরকারগী অচেৎপা ফিরেপনি হায়না গৃহ মন্ত্রি অমিত সাহনা ফোংদোকখ্রে।

অসামগী কোক্রাঝার জিলাগী দোতমাদা পাঙথোকপা ওল বোরো ষ্টুদেন্টস য়ুনিয়নগী ৫৭ শুবা চহিগী মীফমদা ৱা ঙাংলদুনা গৃহ মন্ত্রিনা হায়- বোরো একোর্দকী মতুংইন্না য়ান্নখিবা ৱাফমশিং কেন্দ্রনা থবক্তা ওন্থোকবা হোৎনগনি। মহাকা হায়- য়ান্ন-ৱারোলশিং অদুগী চাদা ৮২ রোম থবক ওইনা পাঙথোকখ্রে। লেমহৌরিবশিং চহি অনিগী মনুংদা মপুং ফাহল্লগনি। গৃহ মন্ত্রিনা হায়- বোরোলেন্দ তেরিতোরিয়েল লমদমদা হৌজিক শান্তি মপুং ফানা হঞ্জিল্লক্লে। মতম অমদা লমদম অসি হিংশা থোকনবা মফম অমা ওইনা খঙনরম্বনি। অদুমওইনমক, হৌজিক্তি মফম অসিগী নহাশিং হিংশাগী মহুৎতা চাওখৎপা হেন্না পাল্লক্লি।

মোদি ঃ  প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিনা হায়রি- ভারতনা শান্তিগী মতাংদা ৱা হেক ঙাংবা মতমদা মালেমগী মীওই কয়ানা তুমিন্না তারি। মরমদি লমদম অসি গৌতম বুদ্ধা অমসুং মহাত্মা গান্ধিগী পোকফমনি।

এ.আই. রিছার্সর অমসুং পোদ কাষ্টর লেক্স ফ্রিদমেনগা ৱারী শান্নবদা শ্রী মোদিনা হায়- ভারতনা নুংশি চান্নবা অমসুং শান্তিগীদমক হায়বসিদা থাজে। রসিয়া-য়ুক্রেন লানগী মতাংদা হংবা ৱাহংগী পাউখুমদা প্রধান মন্ত্রিনা হায়- লৈবাক অনিগী মুকবা অসি লৈবাক অনি অসিনা ফম্মিন্নদুনা ৱারী শান্নরবা মতমদতা লোইশিনবা ঙমগনি। মহাকা হায়- য়ুক্রেন্না মখোয়গী চুংশিন্নবা লৈবাকশিংগা ৱারী কয়ামরুম তৌরবসু রসিয়াগা করিগুম্বা ৱারী শান্নদ্রিবা মখৈ লান অসি লোইশিনবা ঙমলোই।

ভারত-চাইনাগী লৈনরিবা মরীগী মতাংদা প্রধান মন্ত্রিনা হায়- লৈবাক অনি অসি মহৌশাদগী চৎনরকপা নাৎ, চৎনবীশিং লৈ  অমদি লৈবাক অনিগী মরী অসি অনৌবা নত্তে। ঙসিদি মালেমগী য়াইফনবগীদমক লৈবাক অনি অসিনা চাউরবা থৌদাং লৌরি। মহাকা হায়- চহিচা অসিদা ভারত অমসুং চাইনাগী মরক্তা মুকবগী তশেংবা ইতিহাস লৈত্রি। লৈবাক অনিগী মরী তুংদসু হেন্না

চেৎশিনহল্লক্কনি হায়বগী থাজবা প্রধান মন্ত্রিনা ফোংদোকখি।

ম্যান্মারঃ ম্যান্মারদা মিলিটরিনা নোংথক্তগী লান্দাবদা অঙাং তরুক য়াওনা য়ামদ্রবদা মীওই ২৭ শিরে।

গনতন্ত্রবু শৌগৎপা মীওইশিংনা খুদুম চনদুনা লৈবা খুঙ্গং অমদা লান্মীনা নোংথক্তগী লান্দাবদা মীওইশিং অদু শিখিবনি। মন্দলে পিপলস দিফেন্স ফোর্সকী মচিন চৎপা মীশক অমনা হায়- সিংগু টাউনগী লেট-পেন-লা খুলদা ঙরাং নুমিদাং অথেংবদা নোংথক্তগী চশ্থখিবা এটেক অদুদা য়ামদ্রবদা মীওই ৩০হেন্না অশোক অপন নংখি। মন্দলে

ম্যান্মারগী মরুওইবা বিরোধিবু শৌগৎপা মন্দলে পিপলস দিফেন্স ফোর্সনা মমাং চহিগী জ্লাই থাদা সিংগু সহর লৌশিনখিবনি। গনতন্ত্রবু শৌগৎপা পিপলস দিফেন্স ফোর্স অমসুং মশিং য়ামদবা গুরিলা গ্রুপশিংগী মথক্তা লৈবাক অদুগী মিলিটরি সরকারনা নোংথক্তগী লান্দাবগী থবক চশ্থরকখিবনি। কাংলুপশিং অসিনা হৌখিবা চহি কয়ামরুম অসিদা গ্রেতর ওতোনোমি ফংনবগীদমক লান হৌদুনা লাকপনি।

নিউ জিলেন্দ ঃ নুমিৎ মঙানিগী ভারত খোঙচৎতা নিউ জিলেন্দগী প্রধান মন্ত্রি খৃষ্টোফর লুকসন ঙসি নিউ দিল্লিদা থুংলরে। মহাক্কা লোয়ননা মন্ত্রিশিং, লৈবাক অদুদা লৈবা ভারতমচাশিং, করবার ৱালাশিং অমদি মকোক থোংবা ওফিসিয়েলশিং লোয়নরকখি।

এয়ারপোর্টতা মহাকপু কেন্দ্রগী ফিসজরিজ রাজ্য মন্ত্রি প্রোফেসার এস.পি. সিংহ ভাগেলনা ওকখি।

মপান থৌরম মন্ত্রালয়গী পাউনা হায়- প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদি অমসুং নিউ জিলেন্দগী প্রধান মন্ত্রি খৃষ্টোফর লুকসনগা লৈবাক অনিগী মতাংদা ৱাফম কয়া খন্নগনি। মহাকা ১০ শুবা রাইসিনা দাইলোগ ২০২৫ গী হৌদোকপগী থৌরমদা শরুক য়াগনি। নিউ জিলেন্দগী প্রধান মন্ত্রি অসিনা রাষ্ট্রপতি ভবনদা রাষ্ট্রপতি দ্রৌপদি মুরমুগসু উন্নগনি। প্রধান মন্ত্রি লুকসননা মুম্বাইদা চৎকনি অমদি

করবারগী লুচিংবশিংগা মীফম পাঙথোক্নুনা ৱা খন্নগনি হায়রি।

প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিনা হয়েং নিউ দিল্লিদা নিউ জিলেন্দগী প্রধান মন্ত্রি খৃষ্টোফর লুকসনগা লোয়ননা রাইসিনা দাইলোগ ২০২৫ হৌদোক্কনি। মীফম অসি থা অসিগী ১৯ ফাওবা চথগনি। মীফম অসিদা কেন্দ্রগী মপান থৌরম মন্ত্রালয়না ওবজার্ভর রিছার্স ফাউন্দেসনগা খুৎশমরগা শিনবনি।

মরক অসিদা, ভারত অমসুং নিউ জিলেন্দগী মরক্তা ফ্রি ত্রেদ এগ্রিমেন্টকী মতাংদা য়ান্ন-ৱারোল কয়ামরুম সহি তৌনখ্রে। নিউ দিল্লিদা ঙসি কেন্দ্র কন্মর্স অমসুং ইন্দষ্ট্রি মন্ত্রি পিয়ুস গোয়ল অমসুং নিউ জিলেন্দগী ত্রেদ এন্দ ইনভেষ্টমেন্ট মন্ত্রি টোদ মেক্লেনা সহি তৌনখিবনি।

সোসিয়েল মিদিয়াদা থাগৎপা ৱারোল অমদা শ্রী গোয়লনা হায়- থৌরাং অসিনা লৈবাক অনিগী ওইবা লল্লোন ঈতিক হেন্না পাকথোক চাউথোকহনবদা হেন্না মতেং ওইরগনি।

--হৌজিক শান্নবগী পাউ--

ক্রিকেট (এল)ঃ অনিশুবা খোমদ্রাম ওংবী হিজম মেমা দেবী মেমোরিএল টি-টোইন্তি মনিপুর ভেটরান ক্রিকেট টুর্নামেন্ট ২০২৫ গী লংথবাল পাব্লিক গ্রাউন্দদা ঙসি শান্নখিবা মেটচতা ৱাই.দব্লিউ.সি লংথবালনা আর.এন.ই.এফ মাইকা ময়াংইম্ফালবু রন ১১২ দা থোইখি। ৱাই.দব্লিউ.সিগী লাইশ্রম দিনাচন্দ্রনা মেন ওফ দ মেটচ তাখি।

অতোপ্পা মেটচ অমদা এল.সি.সি.সি লিলোং চজিংনা ৱাই.এ.সি য়াইস্কুলবু ৱিকেট ১০ দা থোইখি। এল.সি.সি.সিগী রিজেন শগোলশেমনা মেন ও দ মেটচ তাখি।

এআর (এল)ঃ অসাম রাইফলসনা য়াওশঙ স্পোর্টস কুম্মৈগা মরী লৈননা তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা শান্ন-খোৎনবগী থৌরমশিং পাঙথোক্লি। ককচিং জিলাদা থা অসিগী ১৪ দগী ১৮ ফাওবা সেরৌ পার্ট থ্রি, ৱাইখোং অমসুং চকপী

মোলবেম খুলদা ফুটবোল অমসুং ভোল্লিবোল মেটচশিং পাঙথোক্লি। চন্দ্রখোং খুলদসু তোঙান তোঙানবা মশান্নগী থৌরমশিং পাঙথোকখি।

ইম্ফাল ৱেষ্টকী কৈথেলমানবী খুলদা য়াওশঙ স্পোর্টসকা মরী লৈনবা থৌরম ঙসিদগী হৌখ্রে। লৈবাকপোকপা নুমিৎ ফাওবা চখ্থগদবা থৌরম অসিদা লমদম অদুগী মীওই কয়ানা শরুক য়ারি।

ককচিং জিলাগী তাংজেং খুনৌদসু নুমিৎ মরিনিগী ওইবা শান্ন-খোৎনবগী থৌরম চখ্থরি।

রেষ্টলিং (এল)ঃ জোরদানগী অমানদা থা অসিগী ২৫ দগী ৩০ ফাওবা চখ্থগদবা সেনিয়র এসিয়ান চেম্পিয়নসিপতা শরুক য়ানবগীদমক রেষ্টলিং ফেদরেসন ওফ ইন্দিয়ানা রেষ্টলর ৩০ গী মিং লাউথোকখ্রে। মখোয়গী মনুংদা ৱার্ল্ড চেম্পিয়নসিপতা তকমান ফংখ্রবা দিপক পুনিয়া অমসুং অনতিম পংগাল য়াওরি।

ক্রিকেট ঃ ৱিমেন্স প্রেমিয়র লিগ ক্রিকেট মুম্বাই ইন্দিয়ান্সনা লৌরে। হন্দক্কী অসি থারগা মুম্বাই ইন্দিয়ান্সনা লিগ অসি লৌবা অনিরকসুবনি।

মুম্বাইগী ব্রাবোর্ন ষ্টেদিয়মদা ঙরাং নুমিদাং শান্নখিবা ফাইনেল মেটচতা মুম্বাই ইন্দিয়ান্সনা দিল্লি কেপিটেলসপু রন ৮ দা থোইখিবনি। হান্না বেত্তিং তৌখিবা দিল্লি কেপিটেলসনা অপিবা ওভর ২০ দা ৱিকেট ৯ তুরগা রন ১৪১ লৌখি। মুম্বাই ইন্দিয়ান্সনা পান্দম অসি ওভর ২০ দা ৱিকেট ৭ তুরগা য়ৌবা ঙমখি।

------